
# মালেমদা লান্দারক্লিবা কোরোনাভাইরস মায়োক্নবা হোৎনবদা এক্টরশিংগী থৌদাং

*- নানি*




ঙসিদি মালেমগী মীপূম খুদিংনা মীকুপ খুদিংগী খল্লিবা অমদি লীনরিবা ৱারীদি - মালেমসিদা লৈরিবা তাইবঙ মীওইবা পূম্নমকপু মাঙ-তাকহল্লগে হায়না মীওইবগী মথক্তা লান্দারক্লিবা কোরোনাভাইরসকী ৱারী ঙাক্তুনি। মীপূম খুদিংনা অমদগী অমদা লৌনরিবা পাউসু কোভিদ-১৯ হায়বা অসিগীনি। য়াম্না কিনীংঙাই ওইরি। মালেমগী লৈবাকশিংগী মনুংদা খরা অমদি পুংমুৎ মুৎখিবা য়াবগী অকিবা লৈতবা নত্তে। কন্ত্রি পূম্নমক্কী লুচিংবশিংনা হৌজিক হোৎনরিবা অসিসু দিভলপমেন্টকী অমদি অতৈ হীরম অমতগী নত্তে - ভাইরস অসিবু থিংনবা হোৎনবা অসিদগী হেন্না অতৈ থবকশিংদি পুংলেপ লেপখ্রবনি।

অসিগুম্লবা লুশিল্লক্লবা ফীভম অসিদা মমিং লৈরবা মালেমগী ওইনা লৈরিবা শৈশকপা-শৈশকপী, ফিল্ম এক্টর-এক্ট্রেস পূম্নমক ময়ূম ময়ূমদগী হেন্দোক্তনা তুমিন্না লৈশিনবা ঙম্নরক্ত্রে। লুচিংবশিংগা ৱা তানবা য়াওনরক্লে। করি তৌরগা মখোয় মখোয়গী কন্ত্রি অদুদা লৈরিবা শেন্থোক হন্থবা ইমুংশিং, দেলি ৱেজরশিং অমদি অপিকপা অঙাংশিংনা অফবা চিঞ্জাক চাবা ফংলক্তবা কয়া অসিগী মরমদা নৈনরি। অমরোমদা ভাইরস অসিদগী ঙাকথোক্লবা চথরিবা রিছার্স তৌরিবশিংদা পূক্লিং থৌগৎতুনা ভাইরস অসিনা পোজিটিভ ওইরবশিং অমদি নারক্কদবশিংদগী ঙাকথোক্লবা অথুবা মতমদা হীদাক পুথোক্লবা হোৎনবদা মখোয়গী থৌদাং করি লৈবগে হংনরক্লি। অদুনা মখোয় মখোয়না ঙমজবা মায়কৈদগী হীরম কয়াদা মতেং পাংনরক্লি। কনাগুম্বশিংনা গভর্ণমেন্টকী খুথাংদা, কনাগুম্বা খরনা মখোয় মখোয়গী এন জি ওশিং অমদি অতৈ হ্যুমেন ওর্গনাইজেসন কয়াদা মতেং পীদুনা খুদক্কী ওইবা মতেং পীনবা হোৎনরকপগী পাউ ময়াম অমা লৈরি।

মমিং লৈরবা ফিল্ম এক্টর *Arnold Schwarzenegger* না ভাইরস অসিনা ইনফেক্ট তৌরবা মীওইবা কয়াগী পুন্সিবু কন্নবা হোৎনরিবা অমদি ভাইরস অসিবু মায়থীবা পীনবা শিবা কিদনা কথোকপগা লোয়ননা হোস্পিটালদা লৈরিবা পূম্নমকশিংবু পূক্লিং থৌগৎলদুনা দোল্লর মিল্লিয়ন অমা মতেং পীরদুনা অসুম্না পল্লি - "This is a simple way to protect our real action heroes on the front lines in our hospitals, and I'm proud to be part of it. I donated 1 million dollars, and I hope that all of you who can will step up to support these heroes." মমিং লৈরবী হোলিৱুদ এক্ট্রেস এঞ্জেলিকা জোলিনসু মহাক্কী লৈজবা শেনফমদগী য়ু এস এদা হৌজিক থেংনরিবা অৱাবা অসিগা মরী লৈননা, মাঙজিল থানা লায়না অসিবু লায়েংনবা হোৎনরিবশিংবু ঙমখৈ লৈতনা তৌবিমল খঙবা উৎপগা লোয়ননা লৈত-লায়র, ময়ূম-মকৈ লৈজদ্রবা, চানীংঙাই-থক্লিংঙাই লৈজদ্রবা কয়াগী মতেং ওইনবা অমদি হীরম অসোমদা রিছার্স তৌরিবা কয়াদা অহেনবা মীৎয়েং পীনবগীদমক মিল্লিয়ন দোল্লর অমগী শেনফম মতেং পাংখ্রে। নীংশিংবা য়াই, মালেমগী ওইনা মমিং লৈরবা এক্টরশিং টোম হেঙ্কস অমদি মহাক্কী নুপী রিটা ৱিলসন, ইর্দিস এলবাসু ভাইরস অসিনা পোজিটিভ ওইদুনা নারিবনি। লোয়ননা মমিং লৈরবা ফুটবোল ক্লব অর্সনেলগী চীফ কোচ মাইকেল অর্টেতাসু পোজিটিভ ওইরে হায়বগী রিপোর্ট লৈখ্রবনি। ইন্দিয়াগী ওইনসু মমিং লৈরবা এক্টর কয়ানা হীরম অসোমদা মীৎয়েং থমদুনা মখোয় মখোয়গী শেঙ্গাওদগী অঙম্বা শেনফমশিং মখোয় মখোয়গী গভর্ণমেন্টতা অমদি প্রাইম মিনিষ্টরগী রিলিফ ফন্দদা দোনেট তৌবগী পাউসু লেপ্তুনা তানরি। টেলুগুগী এক্টর-পোলিটিসিয়ন পৱন কলয়াননা পি এমগী রিলিফ ফন্দদা লুপা ক্রোর অমা অমদি অন্ধ্র প্রদেশ অমদি টেলঙ্গনাগী চীফ মিনিষ্টর রিলিফ ফন্দদা লুপা লাক্ষ ৫০/৫০গী শেনফম দোনেট তৌদুনা কোরোনাভাইরস থিংনবা হোৎনবদা মতেং পীখ্রে। মহাক্না লুচিংদুনা টেলুগু এক্টরশিং অমদি দোক্টরশিংদসু রিলিফ ফন্দদা মতেং পীনবা কেম্প্যেন অমা তৌরি। মদুদা এক্টর মহেশ বাবু অমদি প্রভাসনা লুপা ক্রোর অমমম, রামচরন্না লুপা লাক্ষ ৭০, নিতিননা লুপা লাক্ষ ১০, ফিল্ম দিরেক্টরশিং - ত্রিভিক্রমনা লুপা লাক্ষ ১০, অনিল রভিপুদিনা লুপা লাক্ষ ৫, কোরাতলা সিভনা লুপা লাক্ষ ৫গী শেনফমশিং দোনেট তৌখ্রে। মমিং লৈরবা বোল্লিৱুদ এক্টর সলমান খাননা নুমিৎ ২১নি ইন্দিয়া পূম্বা লোকদাউন তৌখিবা অসিনা মরম ওইরগা ফিল্ম ইন্দষ্ট্রিদা লৈরিবা দেলি ৱেজরস ২৫,০০০দা শেলগী তেংবাঙ পীনবা লাউথোকখিবগা লোয়ননা মহাক্কী সলমান বিয়িং হ্যুমেন ফাউন্দেসনদা শেলগী মতেং নিংথিজনা পীখ্রে। অক্সেকুমারনা পি এম রিলিফ ফন্দদা ক্রোর ২৫, প্রদ্যুসর ভুশননা ক্রোর ১১ দোনেট তৌখ্রে। মমিং লৈরবী শৈশকপী লতা মঙ্গেস্করনসু চীফ মিনিষ্টরস এসিষ্টেন্স ফন্দদা লুপা লাক্ষ ২৫গী শেনফম দোনেট তৌখ্রে। মসিদা নত্তনা তোঙান-তোঙানবা এক্টরশিংনসু মখোয়-মখোয়গী অঙম্বা শেনফমশিং দোনেট তৌনখ্রে। মসিগী ৱাসিমা নাকন্দা ঙাইহাক লৈথোক্লগা, ইন্দিয়াগী লৈঙাক পায়রিবশিং অসিগী মশীং অসি অমুক্তং য়েংমিন্নসি। লোক সভা মেম্বর ৫৪৫নি, রাজ্য সভাগী এম পিনা ২৪৫নি অদুগা এম এল এ অপূনবা মশীংনা ৪১২০ পূনশিল্লগা ৪৯১০নি। হায়রিবশিং অসিনা লুপা লাক্ষ ১০/১০দং দোনেট তৌবদা পূন্না লুপা ৪৯,১০০,০০০/-তাই। মসিনা মীয়ামগী মতেং পাংনবা হীরম কয়াদা থোমগাইরকপদা হেন্দোক পাথোক্লা মতিক ওক্লি হায়না খল্লি। অসিমক্তদা মীয়ামদা দোনেট তৌনবা শেনফমশিং নীবগী মওং অমা চথরিবা অসিসু লায়রবা লমসিদদি মরিং-মরাংই হায়না খল্লি। হোয় শেনফম অঙম্বা দোনেট তৌবদি কৈসু কায়ববুদি লৈতে।






মতাং অসিদা থমনীংবা ৱাফম অমদি লৈরি। শেলগী দোনেসন তৌবা অসিদি অঙম্বা কাঙবুগী ৱানি। মণিপুরগুম্বা লৈখিদ্রবা মমিংতগী ওইনা লৈরিবা এক্টরশিংনা করিবু দোনেট তৌবা ঙমগদগে। অতোপ্পা ষ্টেটকী অচৌবা মার্কেট লৈবা এক্টরশিংনা দোনেট তৌরক্লিবা শেনফমশিং অসিগা ঐখোয়গী এক্টরশিং অসিগা চাংদম্নদুনা য়েংবা মতমদা শাথীনা খেন্নবা লৈ। অদুনা ঐখোয়গী এক্টরশিংনা দোনেসন তৌই অমদি তৌদে হায়বগী ৱাফমলোমদা পুনশিল্লকপা হায়বসি লায়রবা এক্টরশিং অসিবু ইকায়বা পীবগুম্না থোক্লি। সোসল মিদিয়াগী খূথাংদা অসিগুম্বা কয়াশিং অসি তোয়না শীজিন্নদুনা এক্টরশিংবু মপূক্লিং ৱারৌহন্নবা খক শিল্লোইদবনি হায়বসি থমনীংই। হোয় মতাং অসিদা তৌবা য়াবা খরদি অদুমক লেংদনা লৈতবদি নত্তে। ঐখোয়গী এক্টরশিংনা মপান থোক্তবা, ময়ূম-ময়ূমদা লৈরিবা অসিসু মালেমগী অমত্তা ঙাইরবা ৱর্ল্ড হেলথ ওর্গনাইজেসনগী এদভাইজরি ওর্দরগী মতুংইন্না লৈবাকশিংগী লৈঙাকশিংনা লাউথোক্লিবা ৱাফমশিং অসি ইনবনি হায়না লৌই। অদুবু মতাং অসিদা য়েংবা য়াবা খরদি লৈ। লমদমসিগী ওইনসু নুমিৎ খুদিংগী নৎত্রবসু পর্সনেল ওইনা নৎত্রগা মিদিয়াগী খূথাংদা থোক্তুনা মীয়ামদা সোসল দিষ্টেন্সিং অমদি হেন্দ রব/ৱাশিং তৌবগী দেমোন্সত্রেসন তৌদুনা মীয়ামদা মমুৎ তানা খঙহন্নবা অখন্নবা থৌরাং খরা পায়খৎপদা য়াম্না কান্নগনি খল্লি। শেনফম ঙাক্তা দোনেসন তৌবা নত্তনা হৌজিক মালেম অসিদা লান্দারক্লিবা লায়না অসিদগী ঐখোয় করম্না ঙাকথোক্কদগে অমদি অচম্বা মীচম মীয়াম্না করি করি তৌগদগে হায়বনচিংবশিং অসিগী মতাংদা অখন্ননা থোক্তুনা মীয়াম্বু ৱাখল তাহন্নবা থৌরাং লৌখৎপদি মতম থেংলে। মসি মালেমগী ওইনা লৈরিবা লৈবাক কয়াগী এক্টর, সিঙ্গর অমদি ইন্টরটেনর পূম্নমক্না তৌনবা থবকনি। ঐখোয়সু ঐখোয়না ঙমজবা মওংদা খরদা করিনো খরা তৌবা চুম্মী হায়নদি খল্লি। মসি মরী লৈনবশিংনসু অখন্নবা থৌরাং লৌখৎতুনা মীয়ামগা শম্নবা য়াবা অমদি মীয়ামগী ৱাখল লৌশিং তাহন্নবা হোৎনবীরক্কনি হায়না থাজৈ।

## ঙসিগী রাশি ফল

অইবা : ডো. ৱাংখেম জীবোল সিংহ
চীংমৈরোং, ইম্ফাল।

তাং ৫।০৪।২০২০ ইং, নোংমাইজিং; শজিবুগী ১২ নি পানবা।

**মেষ :** নচা-ননাইগী পূক্লিং ৱাবা অমদি লৈঙাক্কী লম্‌দা কাইনবা লৈরবসু নচাক-নরল চাওখৎপা অমদি মীয়াম্না চানবীবা লৈগনি। থেংলপ্না থৌনা ফুদোকপা কান্নগনি।
লৈশা পাখংশিংগী- মহৌশাগুম মরী ফৈ।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙাংবা।

**বৃষ :** মীথোই-মীহেনবা অমদি থৌরম থৌদা পাংবা হৈবা নুমিৎনি। শেল-থুম অমদি থৌনা হেনগৎকনি। খন্থরগা পাংবা পুন্বা মায় পাক্কনি। অফা-অপুন্নবদি লৈগনি।
লৈশা পাখংশিংগী- নীংবা থুংগনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙাংবা।

**মিথুন :** হকচাং নুংঙাইবা ৱাৎপা, পোরম কাংবা হৈত্রবদি চোপ্পা ইকায়বা নংবা য়াবা নুমিৎনি। অদুবু লৌশিং চাওবা ওইবনা অফবা থবক পাংগনি অমদি অঙম্বনা চানবীগনি।
লৈশা পাখংশিংগী- লাইবক ফরোই।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙৌবা/চেঙ।

**কর্কট :** পূক্লিং পেন্না নুংঙাইবা, মীচং হেনগৎপা অমদি লন ফংবা নুমিৎনি। মীতোপ্পা ৱাহনবা অমদি কিহনবসু লৈগনি। অঙম্বনা তাথি, পাইরক্কী লৌশিং শোনগনি।
লৈশা পাখংশিংগী- ৱাখল নুংঙাইজগনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙাংবা।

**সিংহ :** থৌনা লৈনা থৌ পাংউ অমদি লাই-গুরুনা য়ানবা চৎলু শোয়দনা মায় পাক্কনি। হকচাংদি নুংঙাইবা ৱাৎপা অমদি লৈঙাক্কী লম্‌দসু অনম তানবা য়াদবা নুমিৎনি।
লৈশা পাখংশিংগী- নীংবা মপা চারোই।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙাংবা।

**কন্যা :** অফা-অপুন অমদি চয়েৎনবা খরা লৈরবসু লাইবক ফবনা ওইজ-ওইথক কয়ামরুমদি ফংজগনি। অরং-অরাক ফংবগুম নুংঙাইজগনি, মীনা থাগৎকনি।
লৈশা পাখংশিংগী- নীংবা মপা চাই।
থৌনি পোৎলম : লৈ হিগোক।

**তুলা :** নীংবা মপা চাগনি, অনৌবা থৌরমদনা হেন্না মায় পাক্কনি অমদি থবক্কী লম্‌দা পূক্লিং নুংঙাইগনি। লৌশিং থোকপা ৱাৎলি অদুনা ওজা গুরুগী ৱা তাও।
লৈশা পাখংশিংগী- লাইবক ফৈ।
থৌনি পোৎলম : লৈ নাপু/য়াইঙং।

**বৃশ্চিক :** অনম তানগনু, মীয়ামগা মরী ফনবা হোৎনৌ অমদি হেন্না হোয়া ফবা তৌগনু। অনীংবা অফবা থবক পাংবা ৱাগনি-নোল্লুক্লা চৎলু অমদি মতম ঙাইয়ু।
লৈশা পাখংশিংগী- নুংশিবগী ৱাদমক তাবা ফৈ।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙাংবা।


**ধনু :** ইমুং-মনুংগী ৱাতনা থৌরম পুন্বা ওইজ-ওইথক ফংনা পাংবা ঙমগনি,অথোইবা মীংচৎ ফংবা নত্রগা ফংবগুম নুংঙাইবা লৈগনি। য়েৎনবগী লম্‌দা য়াওগনু।
লৈশা পাখংশিংগী- লাইবক ফবা ৱাৎলি।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙাংবা।

**মকর :** নীংজবা থুংগনি, লাইবকসু ফগনি, অনৌবা থবক পাংবসূ য়াগনি। অদুবু লৌশিং থোক্তবা, অফা অপুন্নবা অমদি চিন শোইরগা নরল মাঙবা য়াবা লৈগনি।
লৈশা পাখংশিংগী- লাইবক ফগনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ নাপু/য়াইঙং।

**কুম্বা :** লাই-গুরুনা য়াবা থৌ পাংবনা লেম্নমক মায় পাকচবা অমদি অফবা মরুপকী মতেং ফংগনি। মহু চাওবনা য়েংথি অমদি অনম তানবনা হেন্না লন মাঙগনি।
লৈশা পাখংশিংগী- নীংবা খরদি থুংগনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ/চিনি অঙাংবা।

**মিন :** পাইরক্কী লৌশিং শোনগনি অদুনা অরুবা থবক্তা নাইতোম ৱারেপ লৌবা তৌগনু। মীয়াম্না ফনা শোন্ননি, থেংলপ্না নরল চাওখৎকনি অমদি গুরুনা চানগনি।
লৈশা পাখংশিংগী- নুংশিবনা চাল্লি।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙাংবা।


থৌনি পোৎলমশিং অসি ইশানা নীংজবা লাইদা কৎপীয়ু মহয় ফংগনি।



Title: Scenery
By: Ananya Gracia Moirangthem
Class: V Sec: Roll No. 01
School: Shishu Nistha Niketan



Title: A Bird
By: Kerson Thokchom
Class: III Sec: Roll No. 39
School: Sacred Heart, Yairipok




Title: Scenery
By: L. Anju Roy
Class: IV Sec: Roll No. 22
School: Sainik Foundation School




Title: Dora
By: Wahengbam Kritibash Singh
Class: III Sec: A Roll No. 01
School:




Title: Mother giving valuable advices to her child
By: Karam Paringamba
Class: IV Sec: B Roll No. 20
School: Kids' Foundation




Title: Scenery
By: L. Bhavna
Class: II Sec: E Roll No. 53
School: Catholic School, Canchipur




Title: Rainbow Ice-Cream
By: Luchingbi Irengbam
Class: I Sec: D Roll No. 45
School: Little Flower School




Title: A Mermaid
By: Anoushka Gracia Moirangthem
Class: KG Sec: Roll No. 19
School: St. Anthony's High School




Title: The Sleeping Cat
By: Premthoi Maibam
Class: III Sec: B Roll No. 16
School: Kids' Foundation



Title: Scenery
By: Henthoibisana L.
Class: V Sec: Roll No. 13
School: UNACOO School



Title: Sangai
By: Thoudam Ronalika Chanu
Class: III Sec. A Roll No. 33
School: Smart Universal Academy



Title: Scenery
By: Genibala
Class: VI Sec: A Roll No. 24
School: Smart Universal Academy